শান্নবুংগী পাউ

এ আই এম, ৱাই পি ঐচ য়ু অমদি ক্লাসাগা মখোয়গী লম্বাশিং থোইখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৪ ঃ ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা লম্লোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দা চথরিবা ১৪ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২১–২২ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এ আই এম না এ এফ সি বু পাঞ্জল ৪–২, ৱাই পি ঐচ য়ু না নাকোবু পাঞ্জল ৫–০ অমদি ক্লাসানা কে আই ৱাই সি বু পাঞ্জল ২–১ দা থোইবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দ ওইখিবা এ আই এম অমদি এ এফ সি অনিগী মেটচতা কে ঐচ রঞ্জিৎনা সেন্টর রেফ্রি, এস ওনিলনা এসিস্টেন্ট রেফ্রি ৱান, এল গোকুলানন্দনা এসিস্টেন্ট রেফ্রি টু, অমদি এল রোজিৎনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি। মেটচ অসিদা এ এফ সি গী ওইনা লোয়াঙম্বনা মিনিট ৩২ অমদি ৮৬ চৎপগা গোল অনিখক চনখি। লম্বা ওইরিবা এ আই এম গী ওইনদি সি ঐচ অকাসনা মিনিট ১৩, এন জেমসনা মিনিট ১৫, ই জোয়কিষন্না মিনিট ২৬ অমদি কে এস ঐচ মিলনন্না মিনিট ৮২ চৎপদা গোল চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল ৪–২ দা থোইবা ঙমখিবনি। মেটচ অসিদা এ আই এম গী সি ঐচ আকাশপু মিনিট ৭৫ চৎপদা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি।

ঙসিগী অনিশুবা গ্রাউন্দ ওইখিবা ৱাই পি ঐচ য়ু অমদি নাকো অনিগী মেটচতা য়ুংলুং লুংসুনা সেন্টর রেফ্রি, আর কে রঞ্জন্না এসিস্টেন্ট রেফ্রি ৱান, এল অশানন্দনা এসিস্টেন্ট রেফ্রি টু অমদি এন বিজেন্না ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি। মেটচ অসিদা ৱাই পি ঐচ য়ু গী লুনখোনঙমনা মিনিট ২০, রেনেদিনা মিনিট ৩৯ অমদি ৫৮, সদানন্দনা মিনিট ৪৪, অমদি টি ঐচ জুগেসনা মিনিট ৭৭ চৎপদা গোল চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল ৫–০ দা লম্বা ওইরিবা নাকোবু মায়থিবা পিখিবনি। মেটচ অসিদা নাকোগী সোমিয়ারবু মিনিট ৫৬ অমদি রজনিকান্তবু মিনিট ৫৭, লোয়ননা ৱাই পি ঐচ য়ু গী বোবোসনাবু মিনিট ২৬, ও রোহিৎপু মিনিট ৭২ অমদি ৱাই কম্মান্দোবু মিনিট ৭৩ চৎপদা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দ ওইখিবা ক্লাসা এফ সি অমদি কে আই ৱাই সি অনিগী মেটচতা এল প্রিয়োব্রত্তানা সেন্টর রেফ্রি, এস ঐচ রোবিনসন্না এসিস্টেন্ট রেফ্রি ৱান, এল সনাতোম্বনা এসিস্টেন্ট রেফ্রি টু অমদি টি হেমন্তনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক্ট তৌখি। হায়রিবা মেটচ অসিদা ক্লাসাগী এল নবচন্দ্রনা মিনিট ২৮ চৎপদা গোল চন্দুনা অহানবা হাফতগী হৌনা পাঞ্জল ১–০ দা মাংজিল থাবা ঙমখ্রবা মতুং অনিশুবা হাফকী মনুং চন্না পুন্না মিনিট ৫১ চৎপদা অমুক হন্না নবচন্দ্রনা গোল অমগা চন্দুনা টিম অসিগী অপুনবা পাঞ্জল ২ ওইখি। লম্বা ওইরিবা কে আই ৱাই সি গী ওইনদি এন জি প্রেমনা মেটচ অসিগী লোইরমদাই মিনিট ৮৫ চৎপদা গোল অমখক চনবদগী পাঞ্জল শুনা হন্দোকপা ঙমদবনা ক্লাসানা পাঞ্জল ২–১ দা থোইখিবনি। মেটচ অসিদা ক্লাসাগী কিষন থোঙামবু মিনিট ২৪, এল মোনিসপু মিনিট ৩২ অমদি এস ধনচন্দ্রবু মিনিট ৯৪ লোয়ননা কে আই ৱাই সি গী কোনো বোরিসপু মিনিট ৪৪, এম দি সবির আলিবা মিনিট ৪৬ অমদি এম দি সরুপখানবু মিনিট ৫৭ চৎপদা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি হায়রি।

[illegible]

[illegible]

নুপাগী ঐচ য়ু গা এস ৱাই য়ু সি গা নুপীগী আইদিয়েল ক্লবকা ৱাই সি সি আই সিগা ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৪ ঃ মণিপুর হোক্কিগী মখাদা হোক্কি প্লেয়র্স দিভেলপমেন্ট টিমনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টদিয়মদা চথরিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল অন্দর ১৭ মেন্স এন্দ অন্দর ২০ ৱুমেন্স হোক্কি টুর্নামেন্ট ২০২২গী নুপাগী ফাইনেল মেটচতা হোক্কি য়ুনিয়ন (ঐচ য়ু) গা এস ৱাই য়ু সিগা অমদি নুপীগী ফাইনেলদা আইদিয়েল ক্লবকা ৱাই সি সি আই সি গা লম্বা থেংননবা শেম শাখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী লিগ মেটচশিংদা মৈরানা টি দব্লিউ সি বু পাঞ্জল ৯–০ দা থোইখি। মেটচ অসিদা মৈরাগী সি ঐচ বেবিকানা মিনিট ২ অমদি ৩৩, কে ঙান্থোইবীনা মিনিট ১৪, ১৬, ২০ অমদি ২৮, এন প্রিয়ানা মিনিট ১৮ অমদি ৫৪ লোয়ননা এস হেম্বোইনা মিনিট ৩৭ চৎপদা গোল চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল ৯–০ দা টি দব্লিউ সি বু মায়থিবা পিখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী অরোইবা লিগ মেটচতা ৱাই সি সি আই সি না বিষ্ণুপুর হোকিবু পাঞ্জল ৬–০ দা থোইখি। মেটচ অসিদা ৱাই সি সি আই সি এন নেতালিনা অহানবা মিনিটতা গোল চনখ্রবা মতুং মিনিট ৪৭ চৎপদসু নেতালিনা গোল অমগা চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা টিম অসিগী এল নিতুনা মিনিট ৬, এম প্রিয়ানা মিনিট ৭, কে ইলিনানা মিনিট ৪৯ অমদি এস বেবিরানিনা মিনিট ৪৩ চৎপদা গোল চন্দুনা লম্বা ওইরিবা বিষ্ণুপুর হোক্কিবু মাইথিবা পিরম্লগা ফাইনেল চংবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী অহানবা সেমিফাইনেল মেটচতা হোক্কি য়ুনিয়ন্না ৱাই সি সি আই সি বু পাঞ্জল ৪–১ দা থোইদুনা ফাইনেল চংবা ঙমখি। মেটচ অসিদা ৱাই সি সি আই সি গী ওইনদি দব্লিউ রোহিৎনা মিনিট ১১ চৎপদা গোল অমখক চনবা ঙমখি। লম্বা ওইরিবা হোক্কি য়ুনিয়নগী ওইনদি কে ঐচ মাইকোলিননা মিনিট ৯, টি ঐচ কিংসননা মিনিট ২৩, এ সচিননা মিনিট ৫০, অমদি এম সুশান্তনা মিনিট ৫৪ চৎপগা গোল চন্দুনা পুন্না পাঞ্জল ৪–১ দা লম্বা ওইরিবা ৱাই সি সি আই সি বু মায়থিবা পিখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী অনিশুবা সেমিফাইনেল মেটচতা এস ৱাই য়ু সি না কে ঐচ এস এ বু পাঞ্জল ৩–১ দা থোইবা থোইবা ঙমখি। মেটচ অসিদা কে ঐচ এস এ গী সুশিলনা মিনিট ৪ চৎপদা গোল অমখক চনখি। এস ৱাই য়ু সি গী ওইনদি এস ঐচ বোরিসনা মিনিট ২, জি দিঙ্কুনা মিনিট ১৯ অমদি ৫১ চৎপগা গোল চন্দুনা ফাইনেল চংবা ঙমখিবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী নুপা অমদি নুপীগী ফাইনেল মেটচশিং হয়েং শান্নরগনি।

কে এস সি অমদি সি এফ এ মায়পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৪ ঃ গ্রুপ সেন্টর সি আর পি এফ লাংজিংনা শিন্দুনা তাকয়েলগী সাই স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা ১২ শুবা সহিদ মোনোরঞ্জন সিংহ মেমোরিয়েল সি আর পি এফ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১–২২ গী ঙসিগী মেটচশিংদা কে এস সি না মুভানলাই এঠলেটিক্সপু তাই ব্রেক্তা পুন্না পাঞ্জল ৫–৪ অমদি ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি (সি এফ এ) না সাইবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইখ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেটচ ওইখিবা কে এস সি অমদি মুভানলাই এঠলেটিক্স অনিগী মেটচতা কে এস সি গী সৈনিও না মিনিট ১৪ চৎপদা গোল চনখ্রবা মতুং টিম সিগী থাঙখালেননা মিনিট ১৮ চৎপগা অওন গোল অমা চনখিবদগী নোর্মেল টাইমদা টিম অনিমক্না পাঞ্জল অমমমদা চপ মান্ননা লৈখিবদগী তাই ব্রেক্তা কে এস সি না থোইখিবনি। ঙসিগী অনিশুবা মেটচতা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমিগী থোংমিনসৈ অমদি গোগোচানা গোল অমমম চন্দুনা লম্বা ওইরিবা সাইবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পিখি।

সাইক্লোনন্না নাপসা থোইখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৪ ঃ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেৎ এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ওরিয়েন্টেল কলেজ এন্দ মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দা চথরিবা ৯ শুবা টি ২০ মনিপুর ভেটরান ক্রিকেৎ টুর্নামেন্ট ২০২১–২২ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সাইক্লোনন্না রন ২৩ দা নাপসাবু মায়থিবা পিখ্রে।

মেটচ অসিদা নাপসানা তোস ঙমদুনা ফিল্ড খনখিবদগী অহানবা বেট্টিং তৌখিবা সাইক্লোনন্না অপিবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১২৩ লৌবা ঙমখি। ইন্নিং অসিদা সাইক্লোনগী সচিনা বোল ৪১ দা রন ৩৯ অমদি রোহিন্দ্রোনা বোল ২৫ তা রন ২৯ লোয়ননা নাপসাগী ইবোবিনা ওভর ২ দা ৱিকেট ২ লৌখি। অনিশুবা বেট্টিং তৌখিবা নাপসাগী ওইনদি অপিবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১০০ খক লৌবদগী রন ২৩ দা সাইক্লোন মায়পাকখিবনি। ইন্নিং অসিদা নাপসাগী ইবোবিনা বোল ৪৮ তা রন ৪১ লোয়ননা সাইক্লোনগী বোল্লর টিকেন অমদি রোহিন্দ্রোনা ওভর ৪ / ৪ দা ৱিকেট ৩। ৩ লৌখি।

মিনি অমদি জুনিয়ার বোইজ বোল্লিবোল

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৪ ঃ নাওরেম য়ুথ বোলিবোল এসোসিয়েসনন্না শিন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী গ্রাউন্দা চথরিবা ৬ শুবা মিনি অমদি মরিশুবা জুনিয়ার বোইজ বোল্লিবোল ২০২২ গী ঙসি তোঙান তোঙানবা লিগ মেটচশিং শান্নখ্রে। ঙসি শান্নখিবা মিনি বোইজগী মেটচশিংদা ঐচ ভি এ না এম সি কে, এল এল ৱাই সি না আই ৱাই ৱাই সি অমদি য়ু এস দব্লিউ সি না ঐচ ৱাই দি ও, লোয়ননা জুনিয়ার বোইজগী মেটচশিংদা এস দি সি না এস দি আই অমদি য়ু এন টি না এ এম আই এম ৱাই দি ও বু মায়থিবা পিখি।

মনিপুরগী জিট কুনেদো টিমনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন লৌরক্লে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৪ ঃ ন্যু দিল্লিগী পহরগঞ্জদ জনুৱারী ৭ তগী ১০ ফাওবা চথখিবা ৬ শুবা জিট কুনেদো ফেদরেসন কপতা মনিপুরগী জিট কুনেদো টিমনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইরক্লে হায়রি। জিট কুনেদো এসোসিয়েসন ওফ মনিপুরগী চেরোলদা মনিপুর টিমগী মেডল লৌরক্লবা প্লেয়ারশিং অদুদি চহী ১০ গী কাঙলুপতা য়াইফবা শোরেনশংবম গোল্ড, বাবুসনা নোংথোনবম গোল্ড, ভিক্টর ঠিয়াম গোল্ড, শুদরসন কৈশাম গোল্ড, সলাম লিংজেনঙম্বা মৈতে গোল্ড, ঠিয়াম পূন্সিবা গোল্ডনি হায়রি।

চহী ১২ গী কাংলুপ্তা তেদিসন থোঙাং সিলভর, লোহেনঙম্বা খুমন গোল্ড, টিঐচ রিশান সিংহ গোল্ডনি। অদুগা চহী ১৪ গী কাঙলুপ্তনা অশ্বিনি খাঙেম্বম গোল্ড, বিক্টর লৌরেম্বম গোল্ড, কোঞ্জেংবম বসন্তরাজ গোল্ড, এস লনচেনবা গোল্ড, য়োহেনবা শোরেনশংবম গোল্ড অমদি এল এরুনদাস সিংহ গোল্ডনি।

মখা তানা চহী ১৭কী কাংলুপ্তা টিঐচ বোরিস গোল্ড, এল পারী গোল্ড, এন নিংথৌহনবা গোল্ড, খোইরোম লোয়া গোল্ড, সনাবম থোইনাও গোল্ড, চহী ১৯ গী কাংলুপ্তা সামোম কেনেদি গোল্ড, অমরজিৎ গোল্ড, সিনাম কৃশি গোল্ড, সিঐচ নিংথেম গোল্ড, মোইরাংথেম মালেমঙানবা গোল্ড, ওক্রম জিবন গোল্ডনি।

অমরোমদা চহী ১০ গী ফুল কন্টেক্তা সনসম অভিনাস গোল্ড, চহী ১৪ গী ফুল কন্টেক্টা জেকসন হৱাইবম গোল্ড, এস ঐচ লৈশেম্বা গোল্ড, মোইরাংথেং লালমনি গোল্ড, জি অভিনাস শর্ম্ম গোল্ড, কেঐচ হ্বাইন সিং গোল্ডনি।

চহী ১৬ কাংলুকী পুল কন্টেক্তা লীসম আর্নোল্ড গোল্ড, শেনজম জোনসন গোল্ড, রিটিশকুমার থিঙ্গুজম গোল্ডনি। নাকল অমরোমদা নুপী কাঙলুপগী চহী ১০ গী গ্রুপতা শোরেনশংবম য়ুরেকা চনু গোল্ড, শেঞ্জম জুরিয়া দেবী ব্রোঞ্জ, সনসম লীন্থোই গোল্ডনি। চহী ১৪ কাংলুপকীদা অনুশ্রী রাজকুমারী গোল্ড, কংনা থৌনাওজম গোল্ড অমদি চীংশুবম চনচন গোল্ডনি।

মনিপুর টিম অসি ডা. মোইরাংথেম ইবোমচান টিম কোচ অমদি টেক্নিকেল ওফিসিয়েল টি ঐচ রনজিৎ এসিষ্টেন্ট টিম কোচ, এল ইনাওবা এসিষ্টেন্ট টিম কোচ ফিমেল, সিঐচ নিংথেম টেক্নিকেল ওফিসিয়েল, লাইশ্রম চাওবা টিম মেনেজর মেল, কে শুরঞ্জই টিম মেনেজর ফিমেলনি।

হোক্কি ইন্দিয়ানা ৱুমেন্স হোক্কি তিমগী কোর গ্রুপ লাওথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ১৪ ঃ চহি অসিদা শান্নগদবা ইন্টরনেস্নেল টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী সেনিয়ার ৱুমেন্স হোক্কী টিমগী কোর গ্রুপকী প্লেয়ারশিংগী মীং হোক্কী ইন্দিয়ানা লাওথোকখ্রে। কোর গ্রু অসি স্পোর্ট ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়ানা বেঙ্গলুরুদা পাংথোকখিবা ট্রাইয়েল সেলেক্সনদগী খনগৎখিবা প্লেয়ার ৬০ গী মরক্তগীনি। হৌজিক্তি নৌনা প্লান তৌরগা লাক্কদবা টুর্নামেন্টশিংগী শেম শাবা মতম ওইরে হায়রিবা তোকিও ওলেম্বিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী নুপী মালোমদা চংশিনবা ঙম্মবা হোৎনবা তঙাইফদে। মরমদি পেরিস ২০১৪ ওলেম্পিক্কী শেম সাবা ওইনা হোক্কি মশান্না ফগৎহনবা চংই।

ইন্দিয়ান ৱুমেন তিমগী চিফ কোচ জেনকি সোপমেনগী মতুং ইন্না হোক্কি ইন্দিয়ান ইন্দিয়ান তিমগী মেম্বর ১৮ সবিতানা লুচিংদুনা খনগৎখিবদু মুসকেটতা চৎলগা ৱুমেন্স হোক্কি এসিয়া কপকী শান্নরুরগনি। অদুগা লেমহৌবা কোর গ্রুপকী প্লেয়ারশিং অদুনা কেম্পতা লৈথদুনা এফ আই ঐচ হোক্কী প্রো লিগকী ত্রেনিং তৌদুনা লৈহৌগনি। প্রো লিগ অসি মথং থাদগী ওদিয়াগী ভুবনেশ্বরদা চথগদবনি। প্রো লিগ অসিদা ইন্দিয়ান প্লেয়ারশিংনা মখোইগী হৈশিংবদু মপুং ফানা উৎথোক্লবা হোৎনগদৌরি। মরম অসিনা হৌজিক চথগদবা ত্রেনিং অসি য়াম্না মরু ওইবনি। মখা তানা হৌজিক ইন্দিয়ানা খনগৎলবা প্লেয়ারশিংদি সবিতা রজানি ইতিমারপুরা, বিচু দেবী খরিবম, দিপ গ্রেস ইক্কা, গুরজিৎ কৌর, নিক্কি প্রধান, উদিতা, ইশকা চৌধুরি, সুমন দেবী থৌদাম, অকসতা অবাসো দেখালে, মহীমা চৌধুরি, রসমিতা মিনজ, নিসা, সালিমা তেতে, সুশিলা চনু পুখ্রম্বম, জয়োতি নবজোট কৌর, মোলিকা, নমিতা তোপো, মরিনা কুজুর, সোনিকা, নেহা, বলজিট কৌর, উপসনা সিং, লালরেম সিয়ামী, নবনিট কৌর, রাজৱিনদর কৌর, বন্দনা কটারিয়া, সরমিলা দেবী, দিপিকা, সঙ্গিতা কুমারি, প্রতিমা দুবে, অশৱারিয়া রাজেস চাবননি। রিহেল্লিতেসন কেম্পকি খনগৎপশিংনা রানি, রিনা খোকব, মনপ্রিট কৌরনি।

নোভাক জোকোভিক ভিজা ককথৎখিবনা ওষ্ট্রেলিয়াদগী হলহনখিবা য়ারি



মেলব্রোন, জনুৱারি ১৪ ঃ তেনিস ষ্টার নোভাক জোগোভিক্কী ভিদা ককথখিবদগী ওষ্ট্রেলিয়াদগী হলহনখিবা য়াবগী চিংনবা লৈরে। ওষ্ট্রেলিয়া গভর্নমেন্টনা জোকোভিক্কী ভিজা ইরাই নুমিৎতা ককথৎখিবদগী ৱার্ল্ড নম্বর ১ অসি ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনদা শরুক য়াবা ফংদবগী ফিভম লাকখিবনি। মমাংদা জেজোভিক্কী লোয়ারনা মায় পাক্না মহাক্কী ভিজা ককথৎখিবদা কোর্টত্তা কেস থেংনখিবা মতৌ অদুগুম হন্দকসু মহাক্কী লোয়ারনা ফেদরেসন সারকুইট এন্দ ফেমিলি কোর্টত্তা ভিজা ককথখিবদু চৎনহনবিদনবা অপিল তৌরবা য়ারি। মমাং চয়োলদা মেলব্রোনদা থুংলবদগী নোভাক জেকোভিক্কী ভিজা ককথৎপা হন্দক্কী অসিনা অনিরকশুবা ওইরি। জোকোভিক কোভিদ ভেক্সিন কাপত্রগসু হন্দক্কী অসিনা অনিরকশুবা ওইরি। জোকোভিদ কোভিদ ভেক্সিন কাপত্রগসু মদুদগী কোমথোকপগী অয়াবা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী ওর্গনাইজর তেনিস ওষ্ট্রেলিয়া অমদি ভিক্তোরিয়া ষ্টেট গভর্নমেন্টনা পিখ্রবনি। মদুনা মরম ওইরগা নোভাক জোকোভিক ওষ্ট্রেলিয়া ষ্টেট গভর্নমেন্টনা পিখ্রবনি। অদুনা মরম ওইরগা নোভাক জোকোভিক ওষ্ট্রেলিয়াদা লাক্নবগী অয়াবা ভিজা ফংদুনা মেলব্রোনদা থুংলখিবনি অমদি ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী টাইতল দিফেন্স তৌনবা থৌরাং তৌরিবনি। মরক অসিদা ওষ্ট্রেলিয়ান বোর্দর ফোর্সনা জোকোভিকত্তা ভেক্সিনগী একজেমসন পিবদু য়াদবগা লোয়ননা মহাক্কী ভিজা মেলব্রোন এয়ারপোর্টতা থুংলবগা ককথৎখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা জোকোভিদ অহিং ৪ হোটেল দিতেন্সন সেন্টর অমদা ফাজিন্দুনা থম্লুরবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিৎতা কোর্টনা জোকোভিক ফাজিনবা মরম চাদে হায়দুনা ফাজিনবদগী থাদোকখিবনি।

অমরোমদা ইমিগ্রেসন মিনিষ্টর এলেক্স হোক্কিনা জোকোভিক্কী ভিজা ককথৎখিবদু চৎহন্দনবা জোকোভিক্কী লোয়ারনা ইরাই নুমিৎতা কোর্টতা হায়জখ্রে। ইমিগ্রেসন মিনিষ্টরনা ভিজা ককথৎখিবা পুং ৩ গী মতুং নোভাক্কী লোয়রনা কোর্টতা ইনজংসন থাজিনখিবনি। ইমিগ্রেসন মিনিষ্টরনা মঙোন্দা পিবা শক্তিগী মনুং চন্না জোকোভিক্কী ভিজা ককথৎখিবনি। লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা চহি ৩৪ শুরবা সরভিয়ান অসি কোর্টত্তা লাক্কবা কৌখ্রে। করিগুম্বা জোকোভিকনা কেস অসি মায়থিরগদি চহি ৩ ওষ্ট্রেলিয়াদা চংবা য়ারোইদৌরি।

Editor: **Laishram Kumar** Printed & Published by **Ng. Devendro Meetei** on behalf of himself at **Lamyanba Printers**, Konung Lampak, Imphal - 795001 (RNI No. MAN MAN 2004/14847) Phone : **2461901**, **9436296510** e-mail: ***ireibak@yahoo.com*** Fax - **2461901**